
শ্রীরামকৃষ্ণকে
যেমন দেখেছি—



শ্রীরামকৃষ্ণ পরমহংস

শ্রীরামকৃষ্ণনা

অসুম্না ঙাংঙম্ই—

(Thus spake Sri Ramkrishna)

Translated and published by

Khoimacha Singh,

Imphal

Printed at the Friends Union Press, Imphal

থাৱরী মৈতৈ পল্লেমশিংগী

খুবাক্তা——

ৱাহৌদোক।

শ্রীরামকৃষ্ণগী ৱাক্যদি থদোইদা পানৱা ইচম্-চম্বা মন্ত্রগুম্বনি। স্বাধীনর্বা ভারতকী অহানবা গবর্ণর্ জেনেরল্ শ্রীচক্রবর্ত্তী রাজগোপালচারীনা পরমহংসগী উপদেশশিংবু উপনিষৎ অমনি হাইনা লৌরি। পরমহংসগী পুন্সিগী রারিদি ধর্ম্ম তৌবা তম্নবা অমস্তুং মীগা লাইগা শক্তা শক্তা থেংনহনবা ওম্বনি হাইনা মহাত্মা গান্ধীনম্তু ইরম্ই। ইতিক্ চাদবা ঐনা মমল য়াম্লবা ৱাক্যশিং অসি মৈতৈরোনদা পুথোকপা য়ানবা হোৎনজবদা মাদ্রাজ প্রান্তগী রামকৃষ্ণ মঠনা "Under kind permission of the Sri Ramkrishna Math, Madras" হাইবা ৱাহৈ খর ৱাহৌদোক্তা পল্লু হাইনা তাং ১০-৯-১৯৫৩ ইংদা তাকপিরকপদগী থবক পাইবা ওমজখিবনি, মাসিগী দমক্তা মিশনগী লমলনা পুন্সি অসিমা পুন্দুনা থমখ্রে।

অক্টোবর্ ১৯৫৩ ইং।



শ্রীরামকৃষ্ণ পরমহংসে

শ্রীরা কৃষ্ণওদা

কবিবর রবীন্দ্রনাথকী স্তুতি।

মপুং কানবগী ফুগৎলকপা ইকুৎ কয়াদগী
ভক্তিগী ইচেল্ তোঙান্ তোঙানবনা
নংগী ভজনদা পুন্নরি।

ওমথৈ-নাইদবা ফুংগাইবগী মগুং উৎপা কয়া
নংগী পুন্সিদা অরুবা ওইরি।

অথাপা-অনকুপাদগী ভক্তি কয়া
নংগোন্দা উৎতরি,
মরাদগী মরক্তা এথীমু কংচরি।

রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর।

শ্রীরামকৃষ্ণ

(১৮৩৬-১৮৮৬ ইং)

বাংলা লৈপাক্কী থুক্নং মচা অমদা শ্রীরামকৃষ্ণ পোক্খই। মহাশক্তি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা ঈশ্বর থেংননবা কম্না খল্লম্খই। চহি ১৭ য়োরক্পদা প্রভুনা কলিকাতাদা চৎখি, তোইশুম্বসুং অচৌবা সহরগী মীনা সংসারদা পুন্নিং-লুপ্পা উবদা হৈনরক্নে, আধ্যাত্মিক রাখশ রাংপা বিস্থা তম্বদা পুক্নিং হাপ্পা য়াদ্রবনা দক্ষি-ণেশ্বরগী মন্দিরদা পুরোহিত অমা ওইনা সেবা য়ু ওখি। মক্কম অতুদা জগৎকী মপুবু জননীগী ভাবতা সেবা তৌবনি। শুক হাইবা অমা নাইদানা মশানা কম্না ভক্তি অমসুং প্রার্থনা তৌজবদগী প্রভুনা ভগবানগী দর্শন ফংজৈ। মতু দা শাস্ত্রবিধান মতুংইন্না চত্নুনা ভগবানদা ওনশিনজবনি। হিন্দু, খৃষ্টান্ অমসুং ইসলাম্ ধর্ম্মগী তোঙাল্ তোঙালবা লম্বিদা হোৎনজনা পুন্নমক্কী থু ফম মাৎনগা ঈশ্বরদা তত্তানা য়ৌখি। তোঙাল্ তোঙাল্বা লম্বেলদা মহাত্মা ব্রহ্মানন্দ অহ্ ফংখি, কবিগুম্বা মতম্দা ব্রহ্মগী রাখলদা পুংলুপ্ লুপ্ই, করিগুম্বদনা জগৎ মাতাগী মচা ওইনা উৎলি। মাগী আধ্যাত্মিক শক্তি অহ্ উবদা মী পুন্নমক অসি— মুপা-মুপি, অহল-অনৌ, মহৈহৈবা, হৈতবা অমসুং থাজবা-থাজদবা থারদানা মনাক্তা হোৎচিল্লকই। মনাক য়ৌবদা পরমহংসগী অ।আগী অরুবা মণ্ডাল অহ্ থ।ইনা

উরমই অমসুং অউবশিং অতুগী ফগৎহন্নমই। জাতি ধর্ম্ম য়েংদানা পুম্নমকপু মুংশিবা অমসুং হৎন-হাইজর-বদা অথাকুপা লৈতানা তাকৃপিখি। ঈশ্বর ফংগে অমসু, মীওইবগী ফনবত তৌরমগে হাইনা সংসার-থারবা নহা কাংবু অমা প্রভূনা থওইনা শেমহনা থনমই। ইংশোক ‘৮৮৬ শুবদা পরমহংসনা থুপ-খ্রবা মতুংদা বিবেকানন্দ স্বামীনা লূচিংহনা “রামকৃষ্ণ মিশন্” হাইবা লম্বোইবা কাংবু অমা হৌরক্লে, মথোইনা ভারত ভূমি অসি থুংনা অমসুং সমুদ্র বাংমা লান্না অথাপ্ অথান্নদা শ্রীরামকৃষ্ণগী পাউতাক শন্দোকখি।

হঁরিবা বিষয় উংপা

ওঁ

শ্রীরামকৃষ্ণনা হাইরম্বা

ঈশ্বর

(শেংখিবা মপু)-

অহিংদা নোংথক্কা থবালমিচাক্ উই, ত্তৌইগুম্বনং সুমিং লৈরিদ্রৈদা উদবনি। অহনা পুংখিদ্দা আকাশদা থবালমিচাক্ লৈতে হাইরগদ্রা? হে মীওইবা নংনা পংলিদ্রৈগী নুংথিল্দা লাই উদ্রে হাইদুনা লাই লৈতে হাইগনু।

ঈশ্বরবু থংনবা মমিং অমসুং মওং য়াম্নই। নংনা পাম্জবা মমিং অমসুং মওং অদুদা কোয়রগা ইবুংঙো মাবু উবা ফংগনি।

...

ঈশিং হাইবসি পোৎ অমত্তনি; অদুবু তোঙান্ তোঙানবা লৈপাক্কী মীনা ঈশিংগী মমিং তোঙান্ তোঙান্ থোন্নি—ৱাটর্, বারি, অকুৱা, পানি। অদুগুম্বা সৎ-চিৎ আনন্দ (লেপ্পা, অথবা অমীমুং অশেনবগী মগক) ওইবা অদুবু কনানা ঈশ্বর,

কমাগা আমা, কনানা হরি অমসুং অতৈনা ব্রহ্ম
হাইনা কৌজরবনি ।

... ...

লাই হাইবসিবু নখোইনা মূর্ত্তি লাইবনি হাইনা
লৌবরা, মতম্রগা মূর্ত্তি লাইদে হাইনা খ'বরা? মাসি
উপগা ঈশিংগা লৈনবা মওং অমনি। ঈশিংনা
কম্বিরগা উপ ওই, মাতুদা মওং লৈরে, উপ অমু
শোরোক্লগা ঈশিং ওইরকই মাতুদা মওং মাংখ্রে।
ঈশ্বরনা মনাইদা তোঙান তোঙানবা মওং উংশি।
ভক্তগী প্রেমগী মতু ইমা ভগবানগী মূর্ত্তি থে'রকই।
জ্ঞানসিংকী তেজদা উপনা মওং নাইদবা ঈশিং ওই,
অদিওরা জ্ঞান পোক্লগা মওং থমগ্রবা ঈশ্বর অমু
লংবা ওয়ই ।

... ...

চুম্-কাকৃঙাংবীগী মচুগী মরমদা নিপা অনি কন্না
য়েংমরমই। 'কোণা পাম্বিদা তোংশিবা চুম অসি
কজদা ওই" হাইদুনা অমনা হাই। "নংগী অদু
লাম্রে। ওাংদে, হিগোক্ মচুনি" হাইনা অমা অদুনা
য়েংলি। য়েংলা য়েংনদুনা মখিঙা অদু কোণা
মখোংদা লৈবা চুমগী মচু হোংদোক্ হোংজিন্ উরিবা
নিপা অমগী মনাক্তা লাক্রে। "উথকা লৈরিবা চুম্
অসি ওাদ্রা" হাইদুনা অমনা হংই। চুমই হাইনা
নিপা অদুনা খুমই। "হাইরিবা অদু করিনো?
মাসি ওাংদে, ঐখি হিগোক মাম্না ওই" হাইনা

হানবদা অহুনা হাই। হাইরিবা অতুম চুথই হাইনা নিপা অহুনা ভগা খুমই। চুম্-কোক্ভাংথৌগী মচুদি তোইবা ওয়ি থংবদগী থোনরিবা মা অনিহুনা অমমম্ হোই, অমদম্ হোই হাইবনি।

... ...

মতৌ অম্মা সৎ-চিৎ-আনন্দ (লেংত্রবা অথংবা-অপোনবা) ওইবা ঈশ্বর অতুগী মওং ম্রামই। ভক্ত অহুনা উজবা মওং অতুণ্ডদা ইবুংঙো মাবু মওং অহু ভদা থংবনি। তোঙাল্ তোঙাল্বা মওংদা উরবা অহুনা হাইরি: "তোঙাল তোঙালবা মওংশিং অসি মপু অমত্তগীনি, অমম্তুং মাগী মওং ম্রামই।"

.. ...

ঈশ্বরগী মূর্ত্তি লৈ, অমম্তুং মাগী মূর্ত্তিম্ লৈতে। অনিমক অসি থানা থোকহনবা ঙাক্তনি। মহাক করম্বনো হায়বসি ইবুংঙো মাতমা থংই। মাবু সুংশিজবা ভক্তশিংগী মফমদা ঈশ্বরনা তোঙাল তোঙালবা লম্বেল অমম্তুং মওংদা উৎপনি। থাজে লেংবমক্তি, উৎলিবা মওং অহুনা অয়োইবনি, অতৈদি লৈতে হায়বা নত্তে।

.. .. ..

লম্বোইবা অমনা পুরীদা জগন্নাথগী মন্দিরদা দর্শন তৌবা চৎখি। লাইগী মূর্ত্তি লৈবগা নত্রগা লৈতবরা হাইনা মানা চিংনরমই। শ্রীমূর্ত্তি অহু উবদা চিংনবা অহু কোয়্বা চাং থেংগে নিংলে, মানা পাইরিবা চৈত্ত

মতুনা পুইরুগী মেথা মাইরবা করিগুম লেংমদে, মতম মখুনা মূর্তি লাইদা হাইনা লৌরে। মেথাগী ওইবা হাইবগা লেংগদ্রব। মাগুগী মশোকইবা মখনা লেপখি :—ঈশ্বরগী মূর্তিদুনি লৈ, অদুগা মূর্তিমু লৈরে।

... .

মৈপী মুরেপা মওং লৈরে। মতৌইশুমমুং চাক-ইবা মৈ অদুনা মওং মোজাদু তোপ্তাদবা নাইহরি। অমুবা মওং লৈতবা মৈ অদু মওং লৈনা উই। মূর্তি লৈতবা ঈশ্বরগীসু মওং অমুবা নাইহরি।

.. ..

পৃথিবীদগী মুমিংনা মকক য়াম্বা থেম্বা চাওই। তৌইশুমমুং থাপ্নবদগী তুমিং অসি অপিকপা মকোই অমা ওইনা উই। মসিগুম্বা চাওরবা ঈশ্বর অদুদগী ঐখোয়না থাপ্নবনা ইবুংঙো মাগী থাক্লেংবা মতিক অচৌবা অদু খংবা ঙমদ্রে।

...

Impersonal God (ব্রহ্ম) অমসুং Personal God (শক্তি) অনি অসিগী মেথবা লৈতে। লাই-দি করি অমতা য়াওদে খল্লগা ইবুংঙো মাবু শুদ্ধ ব্রহ্ম কৌরে, লেংই পাম্বিবা—মাংহন্বিবা অসি লাইনা তৌবরি হাইনা লৌরগা শক্তি (Personal God) হায়না খোল্লে।

... ...

মালা মপা অমত্তদগী মখলমখা-লোঝুনবা মরিং

অমসুং মওংঙী লিকোল্ শাবগুম্, অমত্তা ঙাইবা ঈশ্বরবু তোঙাল্ তোঙাল্‌বা মফম্ অমসুং মতম্‌দা মশক্-মমিং তোপ্পা তোপ্পা লাৎলুরি। কনানা ইপা, কনানা ইমা হাইনা ইত্তিন তিন্নদানা কৌরি, অদুবু ঈশ্বরদি অমত্তনি—নিংউবা মওংদা তিন্নদবনি।

... ...

ইশিং-মচা (ঙা) মশা অমত্তদগী চানিং চানিংবা মওংদা—মহীত্ত মরোবা, মপং য়াওহনবা নত্ত্রগা মপংত্ত লোগে হাইনা শেম্বগুম্, ভক্তনা পাম্‌জবা মতুংইন্না অমত্ত' ঙাইবা জগৎকী মপুনা মওং তোঙাল্ তো'ঙ'ল্ উৎলক্ই, ভক্ত অদুনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্‌জবা মওং অদুদা ভগবানবু নিংজে।

...

কনাদনা সুংশিহৈবা মপু, কনাদনা সুংশিবা মপা নত্ত্রগা লূনা তৌবিবা মমা, কনাদনা চান্নবা মরূপ্, কনাগীনা থাজবা মপুরোইবা, কনাদা হাইবা ইনুব', মথৌ খংবা মচা ওইনা থোক্‌পিরক্ই।

... ...

লাই হাইবসি চিনি চিংদুম্‌গী পাংথক্লি। কক্‌চেং মচা অমনা মরিক অমত্তা পুথিবা, অমসুং থর চাওবা অমনা থর হেন্না চাওবা মতুম্ পুথিবদা চিং অদুদি হান্নদোনা চাওনা ময়েং তাদানা লৈ। ভক্তশিংসু মওং অদিদা লৈবনি। মখোইনা লাইগী গুণ মরিক

অমত্তুং ফংবদা লোইরে থরি। কনা অমত্তদগী লাইগী গুণশিং লোইনা ছাপ্পা নৈতে।

• •••

নোংমা সমুদ্র-ইরেপ্ যেংগে তাইডুনা থুম মতুম অমা থাদৈ। লমথাংদা ঈশিং ওনখ্রে। মগুং অমুম্না জীবনা ঈশ্বরগী মতিক মঙাল্ য়েংলকপদা মাগী মওং মাংখি, অমতুং ঈশ্বরদা তিনখি।

••• ••

সনাহিদাক পুথম্ অমদা মিশি মচেৎ অমা থাদরবদি শিশি অদু থুনা শোদোকই, অদুগুম্না সমুদ্রগী মশক্ ওইবা ব্রহ্মদা জীবাত্মা অসি মাবু ফাজিল্লিবা মথাম্দগী নাম্থোক্লগা অমত্তা ওই।

••

ঈশিং অমতুং কোঙ্গোল্ মশা অমগুনি। কোঙ্গোল্ ছাইবসি ঈশিংদগী পোকপনি, ঈশিংদা তাওবনি অমতুং অরোইবদা ঈশিদা তুম্বনি। মতৌ অমুম্না জীবাত্মা অমতুং পরমাত্মা অনি অসি অমত্তনি। অ'থাই-অহেন্ নাইবত্তনি; অথনা মথা পোন্‌বনি, অমনা মনিং তম্বনি।

• • •••

য়োৎচাবীগা য়োংকা জোনবগুম্ ঈশ্বরগা মীগা মরী লৈনৈ। কল্লিপাদমক্তা ঈশ্বরনা মীবু চিংশিন্নে? লৈখোম্দা থানা ফুমবা য়োং অদুদি য়োৎচাবীনা চিংবা য়াদে। সংসারগী মায়ানা কয়া পুনশ্রবা জীব

অদুদি ঈশ্বরনা চিংশিন্‌বা মাত্রে। তৌইগুম্বসুং ঈশিংনা লৈখোম অদু চায়বদি য়োং অদুদা অপন্‌বা লৈত্তে। ভক্তানা পি তানা নিজরবা অমসুং অয়ান্‌বা তৌখিবশিং অদুগী অয়াবা কো'দোকুনা পুন্নিবা মায়াগী লৈখোম্ অদু চায়্খোক্লবদি জীব অদু ঈশ্বরনা ফাজিল্লকই।

করম তৌরগা ঈশ্বরবু ফংবা।

পোক্‌ওম্‌দবা মীগী মপোক পোক্লগা লাইবু যংবা ওমত্রবদি মপোক অদু কায়ত্রে।

•••

অরিক্‌পা মীনা লল্‌তবু নীংবা অদুগুম্না থমোই অসিদু ঈশ্বরতবু খোরাংহল্লু।

••

ঈশিংদা হি লৈবনি, তৌইগুম্বসুং ঈশিংনা হিদা লৈবা নত্তে। অপাম্বা ভাল্লিবা মী অদুনা সংসারদা লৈবনি, অদুগা সংসারনা মাওোন্দা ভোংবা নত্তে।

• • ••

ছুমিং থোক্লিকৈন্ডেদা শঙোম্ মাখন চিংগদবনি, ছুমিং কারগা মাখন নিংথিনা ফংদে। মতৌ অসিগুম্না, নহা ওইরিকৈন্ডেদা ঈশ্বরদা মপুক লৈশিন্‌বা অমসুং ভক্তি নৈনরক্‌পা মথোই অদুতনা ঈশ্বরবু থংলৈ।

••• ••• •••

পাংদবা, য়েংথিবা অমত্তুং অকিবগী মফমদা লাইনা য়ৌরক্কে।

•

খল্লগী অরূপ্পা মাইকৈনা নম্বা অমসুং অয়াংবা মাইকৈনা হাইগৎপা অহুম্মা সংসারগী রাখল্না চিংথথ্রবা মী অদুদি সংসারদা লুপ্তুনা লৈ, রাখল অদু থর কোয়গা ভগবানগী চরণ'লামদা চংশিল্লকই।

•••   •

অতোপ্পগী অফ-ফত্ত নৈনহুনা লৈবা মী অদুগী মতম্দি অরেপ্পদা মাংখ্রে, মরম্দি মশাগী নত্রগা ঈশ্বরগী মরমদা করি অমত্তা খংহৌদ্রে, মীগী কান্নদবা রাখল্দা মতম্ লেন্খ্রে।

••   ••

পুক্নিংগী করম্বা ফিবম্দা ঈশ্বরবু উবগে? পুক্নিং নিংথিনা লৈতারিঙৈদা। পুক্নিংগী সমুদ্রবু অপাম্বগী সুংশিংনা ঈথক্ হোহল্লিঙৈদা ঈশ্বরগী রাখল্ য়াদে, অমসুং ইবুংঙো মাবু উবা ঙমদে।

•••   ••   •••

মচা পোক্কে হাইদুনা মী কয়ানা কপ্ই থরনা লল্ ফংদে হাইনা রাই, তোইশুম্বসুং মী কয়ানা ঈশ্বরবু উদে হাইদুনা কপ্পা অমসুং রাবগে? ঈশ্বরবু ফংনিংদুনা য়োনা লাংতক্না কপ্ইবা অদুক্তনা ইবুংঙো মাবু ফংবনি।

অঙাংনা মমাদা শান্নবা পোৎ অমস্তুং পৈশা পিয়ু হাইহুনা কপ্লুনা অমস্তুং নৈহুনা তক্লবগুম, ঈশ্বরবু থানবা-য়াদবা, খ্বাইদগী সুংশিজ্জবা, মহাক্তগীনি হাইনা থমজবা, অমস্তুং ইবুংঙো মাবু ফংজনিংহুনা থমোইস্তুংদা কপ্লুনা নৈবা মী অহুদা মমৈথংদা লাইগী নিংথিবা উতনবিরৈ। অস্তুম্না লাংজক্লনা রানা খিরিবা মী অহুদগী ঈশ্বরনা লোত্তুনা লৈব ওমদে।

•• •

"পুন্সি অসিদা শোইদানা ব্রহ্ম ফংগনি, নত্তে, ঐ ক্লমিৎ হুম্লিগী মহুংদা ঈশ্বরবু থেংনগনি; নত্তে, মাগী নাম অমুক্রং শাস্ত্রগা ইনাক্তা য়াইহনগে" হাইনা অকনবা প্রেম লৈরগতা থুনা ঈশ্বরবু কাঞ্জিল্লকুই। কাওবগুম্ কাওদবগুম্ তৌবা ভক্ত অহুগীদি ঈশ্বর ফংবদা মতম চংই।

• ••• •••

হংবা:—মকম পুম্নমক্তা লাই লৈ হাইরগা ঐখোইনা মাবু উত্রিবা কয়িগীনো?

খুম্বা:- ইশং অমস্তুং কংনা থানা কুপ্পবা পুখ্রিগী মপান্দা লেপ্লগা নংনা পুখ্রিদা ঈশিং লৈত্ত হাইগনি। ঈশিং অহু উনিংলবদি ঈমাইদগী ইশং অহু হাই-দোকুউ। মায়ানা নমিৎ অহুদি কুপ্পগা ঈশ্বরবু উদে হাইরি। নংনা ইবুংঙো মাবু উনিংলবদি নমিত্তা কুপ্পিবা মায়াগী জাল অহু হাইদোকখো।

• ••• •••

তক্ত-তক্তবা থমোই-মপাক্ অসিবু অশাবানা চরাংনহন্বা অমসুং রাহল্লিবমথৈ ঈশ্বরগী অমংবা মঙাল্ উবা ঙমদে। পুক্নিং চরাংনদানা ঈশ্বরগী রাথলগী লুপ্নবতদা কজবা অদু থমোইদা উরক্নুই।

•   ••   •••

অমোংবা মিংশেল্দা সুমিংকী মঙাল্ তাদে। মায়ানা কুপ্লিবা শেংদবা অমসুং লুদবা থমোইদা ভগবানগী মঙাল্ য়োঁদে। মোত্তবা মিংশেল্দা সুমিংকী মঙাল্ তাবগুম অশেংবা থমোইনা ঈশ্বরবু উবনি। মরম অসিনা পাপ ভোঁদানা লুনা লৈয়ু।

• •

ঈশ্বরদা ভক্তি তৌজবা মতমদা অশেংবা থবক অমসুং সাধুশিংবু করেম্নবা অমসুং নোক্নবা মীশিং অদুদগী হন্দোক্নুনা লৈয়ু।

জহাজগী কোম্পাস্গী কাঁটা অদুনা অরাং তশেংনা তাক্লিবা মথৈ জহাজ অদু কৈরেংনদনা চংখিবা লৈত্তে। জহাজগী মশক্ ওইরিবা পুজি অসিদা পুক্নিংনা কোম্পাস্গী কাঁটানি। মহাক্না অহাইবা লৈতানা ব্রহ্মাতদা ওন্শিল্লবদি পুজিগী অরাবা পুন্নমক্তগী নাম্বোক্নুই।

••   •••   •

উরোক্ অমনা ঙা অমা কাপে হাইদুনা মুন্না য়েংদুনা লৈরি। মতুংদা উচেক্কাম্বা অমনা মাঙোম্বা

তম্হনা তেল্ চিংই। তৌইগুম্বসুং উচেক্ অদুনা মাহু হম্না লেংলে। বিন্দম্ অদু উগা লম্বোইবা লম্কোইবা অমনা উরোক্ অদুদা ভক্তি তৌহনা হাইরকই :—ঐনা ভগবানবু ধ্যান তৌহনা কম্জবা মতমদা নংগী নত্তৌ তম্হন্বিয়ু, তুংদা কনা লৈবগে হাইবসি য়েংহন্বিগনু।

... .

য়েত্তুম্ মনাদা লং লেংগে হাইরবদি লংজিন্ অদু ফাদোকহন্গনু। অদু ওইরবদি য়েত্তুম মনিং অদুদা লং অদু লাইনা চংবনি। অস্নুমা, থমোইদু ঈশ্বরদা হাপ্কে নিংলবদি নোংকৃপা, চাওথোক্কবা অমসুং পুক্রিং-হত্তদবা অমসুং অপান্বগী মরম পুম্নমক থাদোকদবনি।

....

হঙাম-মরু হাপ্পা থাও অদু হোরবদি মরুশিং কোইনা চাইখিহ্নুনা থুলবা য়াই। অদুগুম্না মীগী পুক্রিংনা য়াথল মথল-মথা অম্বাম্বদা ফাংগ্রবদি চাইখ্রিবা অদু খোমজিন্বা য়াই অমসুং পোৎ অমত্তদা পুক্রিং চিংশিন্বা লুই।

... ...

অঙাংনা উথোং পাইহনা তুগনি হাইবা কিদানা মকোক্ লুকথনা কোইলে লৈহনা শাহ্নবগুম, মসু সংসারদা ঈশ্বরবু কাওদানা নথোশিং অদু পাং-থোকউ, অরাবা পুম্নমক্কী নাহোকনি।

অশেংবা জ্ঞানীশিংগা খাদ্রগা লাম্বগী অথোইবা লম্বেল্ অমা ওই।

....

পুক্লিং অসিনা লৈতানা ইংনা লৈরগা ঈশ্বরবু উই। পুংশিংকী মশক্ ওইবা অপাম্বনা পুক্লিংগী সমুদ্রবু ঈথক্ চৌঙ্লবদি ঈশ্বরবু থল্লব অমসুং উবা ঙম্লে। মীনা ফিবম্ অহুম অসিগী মমু দা অমদা চপ্চানা তারবদি লাই থেংনরে:—(১) 'পুম্মক অসি ঐনি'. (২) 'পুম্মক অসি নংনি' (৩) 'ঐ অসি মনাইনি।'

অমুনবা হৈনৌ অহু লাইদা নত্রগা সাধু জ্ঞানী অমদা কৎপা যাই, নত্রগা অতোপ্পা মরমদা শিজিন্নবা যাই, ক্লাক্লা হোগাইরবদি করিগুম্বদা শিজিন্নবা মতিক্ চাদ্রে। লাইদা কৎপা য়াদ্রে ব্রাহ্মণদা দান তৌবা পোদ্রে নত্রগা কনানমু চাদ্রে। মওং অসুম্বা, থমোই শেংলিবা অমসুং সংসারগী অপাম্বনা শোক্ত্রি-ভৈদা নহা নিপা-মচা, মুপি-মচাশি বু ঈশ্বরগী সেবাদা পুশিন্গদবনি। সংসারগী থাথল্ন মপুক্তা মমুকুং চংথবা অমসুং হিংচাবগী মশক্ ওইরবা অপাম্-চুংশিগী মমিনা তাথ্রবদি মথোইবু ধর্মগী লম্বিদা চিংশিন্নবা য়ারে।

... ...

খোনাও লীরবা তেনরাবু মরোল্ তম্বিবা য়াদে, নৌরিবৈঙেদা হোৎনগদবনি। অসুম্বা অহলগী চহি মতাং য়োরক্পদা ঈশ্বরদা পুক্লিং হাপ্পা হৌবা অরুবনি। নহা ওইরিবৈঙদদি মায় লাইনা থোক্ই।

..

চিন্গা পুক্লিংগা অমত্তা ওইনা নিরগা নিঙবা অহু ফংবনি। চিন্দা 'প্রভো, পুন্নক অসি নহাক্তীনি" হাইরগা পুক্লিংনা পুম্নক মাগীনি খল্লিবা মথোই অহুনা ঈশ্বরদা লৈশি লৈথোক্লুনা হাইজবগী কাপ্নবা লৈতে।

... ...

পুক্লিংদা অমা থবক্তা অমা তৌগনু। পুক্ শেংউ, অত্তুগী মতুংইন্না হোৎনৌ মঙ্গল শোইদনা ওইগনি। লোথুপ্-ংৌকোই লৈতানা ঈশ্বরদা প্রার্থনা তৌ, শোইদনা তাবিগনি।

...

অচৌবা নিংথৌ অমগী মনাক্তা চংজগে হাইরবদি থোং-পুরিবা অমসুং রাজসিংহাসন-শংশিবশিংদা চংজবা তাই। মতৌ অত্তুগুম্না সর্ব্বশক্তিমান ওইবা ঈশ্বরদা য়োনবা অমসুং মাগী কৃপা ফংনবদি ভক্তি য়াম্না তৌগদবনি, ভক্তশিংবু সেবা তৌবা অমসুং জ্ঞানী-শিংবু থানদনবা হোৎনগদবনি।

...

সংসারগী রাখল্ অমসুং অয়া-অমানা পুক্ লাংহন্-গনু। ভোগদবা থবক্শিং অদু মতম্চানা ভৌথোকউ, অমসুং নপুক্ অদুদা ঈশ্বরবু কাওগনু।

•••

ঈশ্বরবু করম্না লৈশি-লৈথোন্বা হাইবা অসিনা মথংদা লাক্পনি। সংসারগী ধন-সম্পত্তি ফংনবা নিরোইদোবশি, নারদ মুণিনা ভৌবগুম্না হাইজৌ। রামচন্দ্রদা নারদনা হাইজখি 'প্রভো নংগী চরণবু কাওদবা পিনরিবু"। "মাদুমক্ ওইসনু" হাইনা রামনা হাইরম্ই। "অতৈদি নিররোইদ্রা হংই। নারদনা খুমই :— "ঐ অসে সংসারদা নংগী মায়ানা চিংশিল্হন্বিগনু"। "মাদুসু ওইজরো, নিগদবা অতৈ করি লৈরি?" হাইনা রামনা হন্না হাইরক্ই। "প্রভো, নিগদবা লৈত্রে" হাইনা নারদনা খুম্খি।

••

ভক্তনা চিন্বাম্মোংদতা "প্রভো, লেংবিয়ক্লো" হাইবগা ঈশ্বরনা থোরক্পা নত্তে। প্রেমনা ভক্তিগী পুক্নিং অদু লাহত্তুনা রাওাংবা থোক্রবা মতম্দা ইবুংঙোনা গোংথোক্লুই। অকন্বা প্রেমদা লুপ্রবা থমোই অদুনা কৌরবদা ভগবাননা লৈথোক্পা ওম্দে।

•••   •••

হে মুংশিয়বা ভক্তশা, অশেংবা লীচং অমত্তুং ঈশ্বরবু ফংগে হাইনা তাল্লগা মীগী মপুক অদু শেংলক্ই অমক্তুং লৌথুপ্-লোকোই লৈরক্তে। পুক্নিং

লেংঙ্গবদি ঈশ্বরবু ফংদে। চুম্ব্রিংনা থাজবা মীশিং অদুদা ভগবানগী স্বভাব উৎলকই।

••   •••

ভক্ত অমনা প্রভুদা হংই:— "করম্বা উপায়না ঈশ্বরবু উবা ঙম্বগে?" প্রভুনা খুমই— ইবুংঙো মাবু ফংজগে হাইনা খোয়াংবগা লোইননা কপ্পা ঙম্বরা? মীনা মচু, মচা, লেললনচিংবা ফংজগে হাইবগী দমক্ মমিত্তুগী মপি ওয়ো ওয়ো তাই, তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী দমক্তদি কনা কপ্পগে? অঙাংনা শায়পোত্তা পুক্লিং চংশিন্দৈদা মমানা চাক্-ইশিং থোংবা অমসুং ইমুংগী থবক্ অতৈ তৌবা ঙমই। শায়বা ওক্তুনা মমা থিরক্ পদা মমানা মসুংদা লৈবা ঙম্দ্রে। মতৌ অসুম্না, জগৎকী মাতাসু ভক্তনা মাবুত্তা থিরক্লবদা ভক্ত অদুগী মমাংদা চোংথোক্লকই।

•••

লেংদবা ভক্তি অমসুং অকন্বা থাজবা পোক্ হনবিয়্ হাইনা জগৎজননীদা নিজৌ।

ঈশিংদা ঈরাক্লবা মীনা স্বয় তত্তানবা লাক্লবা অহুম্না ঈশ্বর ফংনবা কপ্পা হোৎনগদবনি। অয়িক্পা মীনা শেনবু পাম্বা অহুগুম্না নংগী থমোই অদু ইবুংঙো মাবু খোয়াংনা লৈহল্লু।

•••

করম্বা প্রেমনা ঈশ্বরবু ফংগদগে থংবরা?

পোথাবা থংদানা মকোক্ ইঙাও ঙাওনা ছুই অমনা চেন্‌বদৌনা ইবুংঙো মাপীদমক্ য়াগদবনি।

• ••• ••

কয়ামুক কয়া ঈশ্বরবু ফংশিজগদগে? (১) মপুরোইবা-নিংবা দুপি অমনা ফংশিনবা মপুরোইববু নিংজবা, (২) অরিকপা অমমা মাগী থুপা থম্লিবা লল্ অচুত থল্‌বা, অমসুং (৩) সংসারদা লৈল্লবা মী অদুনা ধন-সম্পত্তি অদুগী আশা কয়া তৌবা—অপাম্বা অছম্ অসিনা পুল্লগা ওইবা অকন্‌বা অপাম্বা অমগা মামনা ঈশ্বরদা প্রেম থমউ, অদু ওইরবদি ইবুংঙো মাবু ফংগনি।

•

নোংমা যিশুনা সমুদ্র-মপান্দা চৎলম্ই। ভক্ত অমনা চংশিল্লক্লুনা হংলৈ— 'প্রভো, ঈশ্বরবু করম্না ফংবা ঙম্বগে?" যিশুনা নিপা অদুবু সমুদ্ররোমদা পুরদুনা কুম্থরে অমসুং ঈশিং মখুংদা লৃপহল্লি। ওহাক্ কৈরগা মপাম্বোম্ পাইদুনা চিংথল্লগা হংই—"করম তৌই?" "স্বর থিংদুনা শিকদোরে— ঐ মফম থংউরে" হাইনা খুম্ই। অদু তাবদা যিশুনা হাইরকই — 'নংনা স্বর তৎকদোরে হায়না য়াবা অদুম্না নংগী থমোইনা ইবুংঙো মাবু তাম্মরগতা মাবু ফংবনি"।

••• ••

খোইচোম্পা অমনা ঙা অচৌবা অমা ফাগে হাইদুনা চিঙাক য়াওবা খোইরি অদু ঈশিংদা

থাজগদ্দা থম্লি। মতৌ অসুম্না ঈশ্বরবু তাম্লিবা ভক্ত অমুনা ভক্তি তৌনা লাংতক্‌নদানা ওইরবদি ইবুংঙো মাবু ফংবা শোইদে।

••• ••

সৎ-চিৎ-আনন্দগী সমুদ্র অমুগা লৃপ্‌উ। ঈশিংদা লৈবা মী শোক্‌পা জীবগী মশক্ ওইরবা অপাম্বা অমম্বুং অশাওবা কিরুম্বু। বিবেক (খাথল্) অমশুং বৈরাগ্য (সংসারদা হৈনিংদবা) অনিনা থাইওংগী মশক্ ওইনা নশা অমু তৈম্বু, ঈশিংগী লাইরেল্‌শিং অমুনা ননাক্তা চংবা ওয়োই, মনম তাবদা মখোইনা লৈবা ঙম্বা নত্তে।

••• •

হংবা :—অপাম্-সুংশিগী খাথল্ অসি করম তৌরগা থাবা ঙম্বগে ?

খুম্বা :—সুপি হাইবা জাৎ অসি ইমানি হাইনা য়েংউ ; সুপিগী মমাইদা য়েংগম্মু, মথোংলোমদা নমিৎ থম্উ। ফত্তবা খাথল অমত্তম্ম পোক্লোই।

সুপি পুম্নমক অসি জগৎজননীগী অংশনি। মখোইবু ইমানি হাইনা য়েংগদবনি।

••• •••

হংবা : ঐখোইগী ইশাদা অশোইবা লৈরিবা অসি করম্না চুম্‌থোক্কদগে ?

খুম্বা :—মহৈ ইন্‌থংলক্‌পদা শাংলিবা মপাল্ অমুগী মনা কেম্‌থি। অসুম্না লাইগী মরমদা অশেংবা

মাল্ ফেঙ্ংলগা মীগী হন্থবা স্বভাব অদু মথানা
হেক্তে তারকৃই।

••• •••

ঈশ্বর ফংগে অমত্তুং মাগী মফমদা ভক্তি অসি
চল্লিনগে হিংইবফিং অদুনা লল্ অমত্তুং অপাম্-
ফংশিগী লাংদা থুনবা চেক্শিন্গদবনি। অদু
তানদি কনাগুম অরোইবা ফংদে।

••• •••

পুক্নিং অসি মায়াদগী নাম্থোক্কবদি লাইদা চুম্থিরং
লে অমত্তুং ইবুংঙো মাঙোন্দা পুক্নিং অসি লেংদানা
য়া য়ারে। মায়ানা ফাজিল্লিবা জীব অদু অসুম্বা
নাম্থোকৃই। ঈশ্বর-ফংবা-য়াদবা লৈহেল্দা লৈবা জীব
অদু মায়ানা ফাজিল্লিবনি।

•••• ••••

অহাক্না চংনিংবা মাইকৈদা চৎসনু, কোম্পাসকী
য়াৎচাবী য়াওবা কাঁটা অদু অরাংত ওল্লি। হিরম
শাংবা লৈতে। ঈশ্বরদা পুক্নিং অসি লেংদানা থম্বদি
মরাবা খিবিক্কবী নাম্থোকৃই।

•••• •••• ••••

মীগী মরাল্ থিগনু, ত্রিল্ অমগী অরান্বা ফাওবা
ফংগনু। ভক্তি ফংনবা ঈশ্বরদা হাইজবা অদুওম্বা
মতোম্গী মরাল্ উহন্বিগনু হাইনা নিজৌ।

•••• •• ••••

মপাম্বত্তু ধর্ম-লৈবা উৎশিন্নবা, কান্নবা-কাম্নবা

মুন্না য়েংবা নল্লগা মরৈক্ত য়েংপা মীওয় ঈশ্বরবু ফংদে। পুক্নিং শেংবা অমসুং থাজবা অসি থম্লগদবনি। মপুঙ্ শেংবগী মনাক্তা ঈশ্বর লৈ, মসু-মপান্ নাইনা চৎপা মী অছুবগী থাদৈ।

… … …

ঈশ্বরগী নাম হেক্ পন্‌বদা মিত্তগী পি শিঙ্ঘরক্তা অমসুং তু-চুংবা পোক্লবদি অপাম্-মুংদি অমসুং লল্‌গী অপুবা এছুবগী নশা শত্রু মাশ্নোক্লে, অমসুং নং অসি ভগবান ফংলবনি।

… …

রাধাকৃষ্ণবু য়ারে অছু মত্তাই, য়াত্রে অছু মত্তাই। অনি অত্তগী থানবা-য়াদবা অকন্‌বা প্রেম অমা লৈবা অছুদি লোগদবনি। ভগবানবু ফংনবগী দমক্তা নংগী থগোইদা রাধানা তৌবত্তম্ লাংতক্লহল্লু।

জ্ঞান

লাই ফংগে ত্তাদ্রিবা মীওং অনিনি; অমনা য়োং মচানা তৌবত্তম্বনি অমসুং অমনা হোদোং মচাগী মতৌনি। য়োং মচানা মমাদা কোন্দুনা নপ্‌ই অমসুং মমানা চৎপদা য়াওরি। হোদোং মচাদি মমাদা নপ্তে; থনবা মফমদা থোংহুনা লৈ। মমানা মচা অছু মওত্তা চিক্লুনা কোইনা পুই। মতৌ অসুম্না ফাংবু অমনা জ্ঞানগী (অশেংবা রাথলগী) লম্বেল্‌দা নল্লগা মশাগী

ওইজবা থাদোক্লুনা খ্বাইগী কনবতা তৌরগা লোইরে হাইহুনা অরানবা খুবম্ তাক্লি। মাংবু অমনা পুরু-মক্ অসি ঈশ্বরনা তৌবা তাক্তনি লেপ্তুনা ভক্তি মার্গনা মশা পুন্নমক্ অসি কথোক্লুনা হোংলে। অহানবগী সিনা খাংমচানা তৌবপ্পনি, অমসুং অকোনবগী অসিনা হৌদোংমচাগী প্রমাণনি।

* ** **

রাখলনা ঈশ্বর ফংনবা তাক্লিবা অদু জ্ঞানযোগনি। জ্ঞানীশিংনা ফংনিংবদি ব্রহ্মনি। "মাসি নত্তে", "মাসি নত্তে" হাইহুনা নত্তাবা পোৎশিং অদু কায়্-থোক্লগা মমৈদা অরেপ্পা-লেপ্তুবা পোৎকী চপ্চাবা বিচার তৌরক্নে। লৈতাবা পুক্নিংগী অয়োবী রাখলদা ব্রহ্মবু ফংজরে।

* ***

নংনা নশাবু খংউ, অদু ওইরবদি ঈশ্বরবু খংগনি। "ঐ" হাইবসি করিনো? খুৎলা, খোংলা, তোংলা, ঈরা নত্রগা হকচাংগী কায়াৎ অতোপ্পা অমরা? মমা খল্লু, "ঐ" হাইবা অসিগুম্বা পোৎ অমা লৈতবনি। ভিহেন্লোগী মকু থোক্ল থোক্লগা মতোং ফংদবা মকুক্ত মথেংনবা অদুগুম্বা থিরক্ থিরক্পদা পোৎ পুন্নমক্ অসি "ঐ" ওইরমাত্র। মমৈদা ফংবদি আত্মা (soul লোইনবা)—চিৎ (জ্ঞান—পুন্নমক অসি থংবা) ওইরমে। "ঐ", "ঐচাক" অসি মাত্রকদি ভগবান ওইরক্নে।

•• ••• •••

খোংউপ্ তোংলবদি তিংখং মথক্তা লাইনা চংলি। লান্নবগী জ্ঞান ফংলবদি তিংখংগী মথক্ ওইবা সংসার অসিদা কোয়া চংপা ঙম্মই।

•• •••

ঈশ্বর হাইবসি ঐগী ইশাগী মপান্দা লৈবনি হাইনা খিরবদি অপংবনি। ঐহাক অসিদা ইবুংঙো মহাক্ লৈ হাইনা খংইবা অদু জ্ঞাননি। মনাক্তা হাইবদি থমোইদুংদা ইবুংঙো মহাক লেংদানা লৈ হাইনা লৌবা ঙম্ইবা অদু ভগবানগী মথোং থম্বাল শোক্লবনি।

•• •

নিপা অমনা শ্রীরামকৃষ্ণদা হাইজরম্ই:—'ঐনা আশংবা মঙাল ফংজনবা রাহৈ অমত্তুনা তাকপিয়ু'। "অরোইবী অমত্তা ঙাইবা অদুনা লেংদবনি, সংসারদি অয়েংবনি মাসি খংউ অমসুং তুমিন্না ফমু্উ।"

••• • ••

কলিযুগত্তা জ্ঞানযোগকী লম্বিদি য়োনা লুবনি। অহানবদা হাইরগা— হৌজিক্তি, চাত্রবদি হিংবা য়ান্দ্রে। চাক্তা থরাই হাপ্‌খ্রে। অনিশুবদনা, মীগী পুন্সি তেল্লি, করিমত্তা তোহোবা ঙমদে। অহুমশুবনা, মী ওইবা হাইবসিনা আত্মাগা হকচাংগা অমত্তুনি খনবা দেহবুদ্ধিগী অমম্বা অদুদগী নাম্থোকপা ঙম্মদে। অদুমা "ঐ অসি হকচাং নত্তে, পরমাত্মাগা ঐগা অমত্তুনি। ঐ অসি অরোইবা অমসুং কনানম্

থোক্-হন্দবা অচুমক্নি" হাইনা জ্ঞানীগী চংকদবা অহুত মথংই ।

... .

জ্ঞানগী অয়োবী ভাবপু করিনো? জ্ঞানীনা হাইরি "প্রভো, সংসারদা তৌরিবা অসি নংনা শিন্বা ঙাক্কনি। ইবুংঙো নংগী নথুঙ্গা ঐ অসি পিক্লবা খুৎলাই অমা ওইনা লৈজরনি। ঐগী থোইদোক্পা য়াওদে। পুম্নমক্ নহাক্কীনি। ইচা-ইণ্ড, লন্-থুম, ঐগী ইশাসি অমস্তুং অক-কণ্ড পুম্নমক্ নংগীনি।

.. .

হুরান্বা অমনা অমম্বা কা অমদা চংদুনা পোৎ থিরক্‌ই। টেবল্ অমদা খুৎ থেংলুই, "মাসি নত্তে" হাইদুনা থনমুই। চৌকি অমা থেংনরে, অমুক্স্তু "মাসি নত্তে" হাইনা থনম্নগা হম্না থিরক্পদা শেল্-হাপ্পা উপু পাইকরে। লৈরেদনা হাইদুনা থিবা তোক্লে। ব্রহ্মবুস্তু মওং অসুম্না থিগদবনি।

ঐনা উরে— যুক্তি বিচারদগী ফংবা জ্ঞান (খংবা) অহু ভজন তৌবদগী ফংবা জ্ঞান অহুদগী তোঙাল্লি, ভজন্দগী ফংবা জ্ঞান অহুদগী লাই থেংনদুনা থোক্লক্পা জ্ঞান অহুনা অমুক্ তোপ্‌ই।

জ্ঞাননা অমত্তদা পুশিল্লক্‌ই, অপ বনা তোঙান্ তোঙান্ তাহল্লি।

•   •••   •••

"ঐ অসি মহাক্নি" হাইনা জ্ঞানযোগীনা হাই। তৌইশুবমুং আত্মাবু হকচাংনি হাইনা লৌরিবা মথৈ "ঐ, ঐহাক্নী" হাইবসি মাংনবগী মশক্নি। মাসিনা মাংনবা নত্তানা ফনবা তৌরোই। অসিগুম্বা মীওং অসিদি মশাবু অমমুং অতোপ্পবুম্ব চিংথহল্লি।

•••

অশেংবা জ্ঞান ফংবা মীগী মশিং য়াম্না য়াম্দে। গীতানা লাওরি "মী লিশিং লিশিংগী মধুংদা মী অমত্তনা মপুং ফানবা হোৎনবা শুম্বগী তাপ্পা ফংই। লাইবক্ফবা ময়ামগী মথুংদা হোৎনদুনা অমত্তংনা 'ঐ" অসিবু তশেংনা খংবনি।"

•••   •

ঈশ্বরগা খাপ্পরিবা মথৈ ইশাদা অপংবা লৈরি। থমোইমুংদা উরক্লবা মতম্দত্তা অশেংবা জ্ঞান থোরক্লবনি।

ভক্তি

"প্রেম (ভগবানবু য়োনা ভুংশিজবা) হাইবসি করিনো?" হরিগী নিংথিবা নাম পন্বদা সংসারগী মপালগী রাখল্ পুম্নমক্ কাওবা—ঐগী ইশা ফাওবা লৈ খংদবা অহু য়োরগতদা হরিদা প্রেম থম্বা হাইবহুনি।

হংবা :— প্রেম অমসুং নিংথিনা লৈরবা অমনা ঈশ্বরবু করম্না উরবগে ?

খুম্বা :—ব্রজগোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু জগৎকী মবুং-ঙোনি খন্দানা গোপীগী চান্নজরবা ইবুংঙোনি নিংখত্তম্ ভক্তনা ভগবানবু থাগদবা অমসুং চান্নজরবা সম্বন্ধী ওইনা উই।

••

"পিথ্রাইগী পাত্র অমসু নিতিগী ফেংত্রবদি কোৎহিং কাই। মীসু নোংমগী মানা নিংজবা ঈশ্বর অমুবু ধ্যান তৌত্রবদি থমোই অমু শেংলক্তে।" হাইনা তোতা-পুরীনা হাইরম্ই।

••

অহল্যানা শ্রীরামচন্দ্রদা হাইরম্ই—হে রাম ! ঐ অসে শুক্ ওইনা পোকনি হাইবগী কিবা লৈতে, নঙোন্দা কৎচরিবা ভত্তাবা প্রেম অমসুং ভক্তি অসিদদি মাংহন্‌বিগনু। ঐ নঙোন্দগী বর অমত্তা পান্‌জদে।

•••

শিৎ-নান্‌বা মিংশেল্‌দা করিসু য়েক্‌পা যাদে। মমাই অমুদা রসায়নিক্কী হিদাক্ তৈরবদি কোটো লৌরিবা লাইশিংগী মমি ভাই। কিমম্ অসিগুম্না ভক্তিনা থমোই অমু তৈরবদি ঈশ্বরগী মূর্ত্তি অমু য়েক্‌পা য়াই।

••• ••• •••

ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা হেজংলগা সংসারগী ফাজিন্‌বা য়াংলকই।

••• • •• ••••

ভক্ত অমা মাগী নক্লবা মরী অমদা মরম্‌ চাদানা সুংশিগ্রে অমসুং মপুক ফাবা য়াদ্রে উরদুনা প্রভুনা মাবু ভাকপিরম্‌ই :— সুংশিরিবা অদু ঈশ্বরগী মূর্তিগী মওংদা য়েংউ অমসুং ভাব অদুদা মাবু সেবা তৌ।

••• •••

ঈশ্বরদা কংপা ভক্তি অসি কবিনা কৈগা পান্দম্নরমই। কৈনা শা অতৈ চাথোকই, ভক্তিসু মীওই-বগী অচৌবা যেক্লবা অপাম্‌-সুংশিগী ঙাওবা অমসুং অশাওবনচিংবা—অতৈবু মাংহল্লি। ভগবানদা ভক্তি অমুক্তং পোকখ্রবদি অপাম্‌-সুংশি অমসুং অশাওবা লোইনা মাংই।

••• •••

করিগীনো থংদানা ঈশ্বরবু হেক্তা সুংশিবা পোকই। ফিবম্‌ অসি লাক্লবদি পামগদবা অতৈ লৈত্রে। ভক্তি অসি পোকখ্রবা মী অদুনা হাইজৈ "প্রভো, শেল্‌-থুম্‌ শিংচৎ, হকচাং ফবা, সুংঙাইবা অতৈ পামজদ্রে। নংগী নখোং থম্বাল্‌দা ননাইগী অশেংবা ভক্তি লেংহন্দবা পিনবিয়ু।"

•••

সুংশিবা হাইবসি মওং অহুমদা লৈ— মাঙ্গীত য়েংবা, মীগীসু থন্‌বা অমসুং মশাগী য়েংদবা। মাঙ্গীত

য়েংবা অসিনা খ্বাইদগী হন্নবনি। মানা দুংশিন্নিবা অতুনা য়াবা নংবা থিদবা, মশাম্পীতা দুংঙাইরগা লোই-রে হাইবসিনি। মীগীদু থন্‌বা প্রেম অতুনা তৌবদি —মানা দু'শিন্নিবা অতুগী দুংঙাইনবত য়েংবা নত্তে, মশাগী দু ঙাইনবদু উই। মশাগী য়েংদবা প্রেম অতুনা পুম্নমক্কী মকোক্নি। মানা দুংশিজন্নিবা অতুগীত থন্‌খ্রবনি।

ভক্তগী থমোইদি অকংবা মৈথেংকুম্বনি; ভগবানগী নাম হাইরপ্তা পন্‌বদা থমোইগী প্রেমগী মৈ হোই। সংসারগী অপাম্ মুংশি অমম্মুং থৌরাংবদা লুপ্পু্না লৈরবা পুক্নিং অতুদি মৈথেং অচোংপগী পান্দম্নি, ঈশ্বরগী মরমদা ফনা তাকউ তিকৃউবনা থমোইগী মৈ অদু হোহন্‌বা ঙম্‌দে।

•• •••

ভক্ত অমগী পাঙ্গল্‌দি করিনো? মহাক্তি ভগবান-গী মচানি, অমম্মুং পী তাবতনা মাগী কল্লবা পাঙ্গল্‌নি।

••••

মহম্মদা লৈবা তিজোং অদু মঙাল্ অমুত্তং উরবদি অমম্বদা হঞ্জিল্লু হাঙবা য়াদে, ককৃচে'না চিনি মপৈদা মথল্লাই থাই, মাতুদগী হন্‌বা লৈত্তে। মতৌ অদুগুম্না চংথোন্‌বা ভক্তনা পুম্নমক্ থাদোক্লুনা ভগবানগীদমক হরাওনা মথল্লাই কথোই।

... ...

স্নিংথৌবু মপুম্নোইবা ওইনা ফংজরবা মুপি অহুনা চাক্লিবা অমবু হন্না য়েংভত্রে। অহুম্না ভগবাননা কৃপা ফংলবা থমোই অহুনা সংসারগী পোৎচোই পাম্লত্রে।

. ...

অভাংগী ইচম্-চম্বা পুক্লিং অসি কয়া লুথরবা ! সনা-মণি-মুক্তা পাম্'দ, লাইফদিবী অমবু হেন্না নুনা তোই। ঈশ্বরবু থাজবা ভক্ত অমগীম্ তৌরিবা অসি মত্তাই। ঈশ্বর ফংনবগী মমক্ লল্-থুম অমসুং পদবী অতৈ কনানম্ থাদোক্পা ওয়্রদে।

... ...

ফুরিদি হোৎলিবমথৈ হাকচবা হেল্লি অমসুং পেনম্ পেল্লি। মতৌ অম্না ভগবানগী নাম শোন্বা হোৎরবদি ভক্তশিংগী রাবা থংদে, পুংজা কয়া কয়া শোন্দুনা লৈ।

. .

ভাওবা তারবদি সংসারগী পোৎকা শম্নগনু, ঈশ্বরগী প্রেমদা ভাও।

. ...

ভক্তিগা লোইননা ভগবানদা মশা পুম্নমক কথোক্লুনা লুপইবা অদুবু ভক্তিযোগ কৌই। কলি-যুগতা তোগদবদি মাসিতনি। মাসি যুগধর্ম্মনি — মতম অসিগী চৎকদবনি। মাসিনা কর্ম্ম তৌবা য়াথ-ঙথৈ পিক্থহল্লি। ভক্তিযোগনা ভাকপদি ভভানা

নাম শোক্লত হাইবনি। মুপা লক লক পিবা হীরা অমসুং মতি কৈথেল্দা কংই, তোই৶ঙসুং কৃষ্ণমতি (শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি লৈবা) ওইবা মীশি ইথোং থেংনদে।

....

রাধাকৃষ্ণ হায়বসি ঈশ্বরগী শায়োল্নি হাইবা থাজবা-থাজদবা য়েংউতুনা কায়দে। হিন্দু অমসুং খৃষ্টায়া তোবগুম্ ঈশ্বরগী অবতারবু থাজবসু য়াই। মঙ্গগা, ব্রহ্মনিংবা কাংবুনা লাইগী মূর্তি নাইবা হোনদে হাইনা কনাগুম্বনা থাজদবা য়াই। তোই৶ঙসুং ইবুংঙো মাগী মরমদা অকন্বা প্রেম— অনুরাগতি মী পুম্নমক্পা থম্গদবনি। অকন্বা প্রেম অদুতনি কায়রিবদি।

.

ঈশ্বর ফংনবা জ্ঞান অমসুং প্রেম হাইবসি অয়োব-দা অমত্তনি। অশেংবা জ্ঞান অমসুং অশেংবা প্রেম অনিগী খেন্নবা লৈতে। অশেংবা ভক্তিনা কংবা মফম অদুদা অশেংবা জ্ঞাননসু চিংশিল্লি।

... ..

ঈশ্বর ফংনবা জ্ঞান হাইবসি নিপাগী মতোনি, অমসুং প্রেমনা নুপিগী ফিবম্নি। মপাল্গী কা কাওবদং জ্ঞাননা চংই, নুপি নত্তানা কনানসু মনুংগী কাদা চংদবগুম্ প্রেম নত্তানা অতৈনা ভগবানগী অপুম্বদা চংবা ঙম্দে।

. ...

মী খুদিংমক্পু নুংশিগদবনি। কনা অমত্তসু

অত্তোপ্পা নত্তে। জীব খুদিংদা হরি লৈবনি। ইবুংঙো মহাক্ য়াওদানা করি অমত্তা ওইদে। নংনত্তা মুম্মা থংবনি, অত্তেদি অপংবনি হাইনা খন্গমু।

থকর্ম্ম (থবক)

থবক ত্তৌরগা ভগবানবু ফংবা অহু কর্ম্মযোগনি। মহৈ ফংনবা য়াথল্ ত্তৌদানা গৃহস্থ (য়ুম পাল্লিবা) অমনা মাগী মখৌ পাংথোক্ইবা অহু কর্ম্মযোগনি।

•• •• •••

নংনা ভগবানদা কৎখিবা অহুদগী শক্লক লিশিং লিশিং হেন্না কৎখিবগী ফল ফংগনি। মরম অসিদগী কর্ম্মগী (যজ্ঞগী) অরোইবদা ঈশিং খুজোক্ অমা হৈথহুনা শ্রীকৃষ্ণদা কর্ম্ম ফল কথোক্চরি।

•

যুগ অসিদা, ঈশ্বরদা ভক্তি লৈত্তানা ত্তৌবা কর্ম্ম অহুদি লেপ্পবা মখোং য়াওদবগী মওংনি। মাসি লৈত্তোইগী ইফুৎকুম্বনি। অহান্বদা ভক্তি ত্তান্থো। অপাম্বগী মতুং ইন্না স্কুল্, ডাক্তরখানানচিংবা থবক অত্তে ত্তৌথরকৃপা য়াই। অহান্বদা ভক্তি, অত্তগী মতুংদা কর্ম্ম। হরিদা ভক্তি অমসুং প্রেম লৈত্তানা ত্তৌ-বা থবক অহু থবক ওইররোই অমসুং মাংখিগদবনি।

•••

সমাজগী ফনবা হোৎনবদা থরাইয়াওবা কাংবু

অমদা প্রভুনা হাইরম্বই :— জগৎতা অফবা তৌগনি হাইনা নখোইদি কোয়া ঙাংলি নখোইনা কইনুগে নিংলিবা সংসার অদুবু অতক্ পিক্পরা ? অদুগা হাইবু, জগৎতা অফবা তৌগনি হাইবা নখোই অসিনা কনানো ? অহানবদা ভক্তিগী সাধন তৌদুনা ঈশ্বরবু ফংনবা হোৎনখো। মতুংদা অফবা তৌনিংবা অমম্বুং পাঙ্গল থে'রকনি, মতম অদুদা অফবা তৌগে হাইবা য়ারে। অদু য়োৎত্রিউদদি কায়রোই।

• ••• •••

ভক্ত অমনা হংলকই :— প্রভো, ঐখোইনা লাই থেংনদ্রি মথৈ থবক অমত্তা তৌবা য়াদে হাইনা তাকপিরিবরা ?

প্রভুনা খুমই :— নত্তে, মহাশয়, মংনা থবক পুম্নমক করম্না থাগদগে ? ধ্যান স্তোত্র, নামজপ অমম্বুং অতৈ সাধন মপুং ফানা তৌগদবনি।

ভক্ত :— ঐনা হাইজবদি সংসারগী থবকপুনি। সংসারগা মরী-লৈনবা থবক্শিং থাদোকদরা ?

প্রভু :— হিংনবগী থাবা-য়াজ্রবা থবক মথৈ তৌবা য়াই। তৌকম্-থোক্পা অদু তৌবদা ফল নিদাবা অমম্বুং মপোক্ অসিদা অমম্বুং মপোক্ অমদা দণ্ডি কংগনি হাইবা কিদানা থবক অদু পাংথোক্লবা ইবুংঙো মাগী থৌজাল অমম্বুং পাজল্ নমিত্তা নপি তানা নিগদবনি।

•••• •• ••••

লংনা থবককী নাম্বোকপা ওয়োই, মরমদি থবক মশাগী নমথুনা তৌহল্লকপানি। থবক পুম্নমক মশাগী ওইরকক্কম্ খোক্পা ওইসনু। ফলাফল য়েংদানা তৌরবদি থবক অদুনা ভগবানদুম্ ফংহল্লি। মহে ফংনবা তৌদবা অমত্তুং মপোক্ অলিদা নত্রগা মতুংগী মপোক্তা দণ্ড ফংগনি কিদাবা থবক মতৌ অদুবু ফলাফল য়েংদানা তৌবা কৌই। ঈশ্বরনা অয়োইবা থুংফমনি। মাদু ফংনবা পাম্বেগী মওং ওইনা কর্ম তৌবনি।

...   ...

মীওইবগীদি কর্ম তৌরগত লোইরে হাইগনু। থবক হাইবসি ফলাফল খন্দানা তৌরবদি পাম্বে অমা ওই। তৌইগুম্বমতুং পুন্সিগী অয়োবা ভান্গদবদি ঈশ্বর-বু ফংনবা হাইবসিনি। কর্মযোগ হাইবদি ঈশ্বরদা পুম্নমক শিন্নবা হাইবনি। ইবুংঙো মানা কর্ম পুম্নমকী ফলনি।

.   ...

মী অমগী ফনবা তৌনিংবা ভাব অসি মুংশিন্নবা ভাক্ নত্তে, মীগী কান্নবা তৌবা হোনৈ হাইবা ভাব অদুত্তননি; মাদু, মী হাইবসি শিবনি (লাইনি) হাইনা লৌবনি।

গুরুক (লাম্নবগী নমজিংবা)

ঈশ্বরগী মফমদা থাজেংশেংবা থুংশিজবা পোক্লবা

অমসুং ভক্তিসাধন তৌকদে হাইনা খোঙাংলবা শ্রী অদুগী ঈশ্বরনা মথেক্কৃগাবা গুরু শোইদানা পিনবি। মাসিগী মরমদা লাংতক্কবা কাদদে।

• •••• •••

গুরুদি অমত্তনি, তৌইগুম্বসুং উপগুরু (মরুপী গুরু) যম্মা লৈবা য়াই। বিজ্ঞানচিংবা ওখিরিবা অদু উপগুরুনি। ভাগবততা হাইরি :— অচৌবা অবধূতগী (যোগীগী) উপগুরু কুনথরিলৈরম্বই।

••• •••

ডাক্তর হাইবসি থরাইদগী হেন্না ফবা, থর তাবা অমসুং ইচম্-চম্বা থায়রি। অনাবগী মিহুল্ পাইরগা হিদাক্ থর চানবা হাইরম্লগা অনাবা অদুনা চাই চাদে য়েংদানা ফং চংথ্রবদি ইচম্-চম্বা ডাক্তরনি। অনাবা অদুনা পিরিবা হিদাক্ অদু চানিংদ্রবসু, ডাক্তর অদুনা হিদাক্ অসি কামগদবনি হাইনা অনাবা অদুদা ফজনা তাক্লুনা অমসুং থেমদুনা হোৎনরিবা অদু থর ফবা ডাক্তরনি। থরাইদগী হেন্না ফবা ডাক্তরদি অনাবা অদুনা হিদাক চাররোই হাইনা চপ্ খুংলবদা মথাক্তা অনাবগী মনাক্ত থুক-থুদক্ কুপ্লদুনা অনাবগী খোনাও-দা হিদাক্ তাকথবা হোৎনরিবা অদুনি। মদুম্বোম্মা গুরু অদুনা সেবক অদুদা চিনত্তা তাক্পা, খোইদোকপা অতে য়েংশিন্বিদ্রবদি গুরু অদু অচম্বা গুরুনি। সেবক অদু ফনবগী মমক্তা থংগ্রিথখে শুগাইনা তাকুলিবা অমসুং সেবক অদুনা কপাংলক্লগা

পেন্‌বিবা অহুগুম্বা গুরু অহু অকবনি। তাকৃপা শিষ্য অহুনা নাচ'দে হাইবা উয়বমক্তদা তাবৃইবশিং অহু নমহুনা ইলৃহম্বা হোৎনবিরিবা অহু অখোইবা গুরুনি।

... . .

খংদবা লম অমদা অখংবা মীনা তাকৃপা মাইকৈ-দা চৎপা অহুগুম্না ঈশ্বর ফংনবা হোৎনবদা লম্বি-খংবা গুরুগী রা কম্না ইন্‌গদবনি; ময়ামগী রা তারগা পুক্লিং ইচাই চাইবা য়াই।

. . ..

শিষ্যনা গুরুগী অফ-ফত্ত খকৃ থিরোইদৌবনি। গুরুনা তাকৃপা অহু কায়্‌দানা চৎকনি। বাংলাগী পছ মতেক্‌ অমদা হাইরি:—

লেংলবম্ব গুরু সয়াইদা।
ওইরি রাধিকা ঐঙোন্দা॥

গুরুনা মরক্তা লৈবনি; মীগা লাইগা উনহন্‌বনি।

. ...

কোঙ্গেংগী কুয়োম্‌ হন্দোক্লগা মহুংদা য়াওবা মুক্তা পাইশিল্লু। গুরুগী পাওতাকৃ লৌশিল্লু অমম্বুং গুরুদা পকৃপা মীগী অহোবা অহু থিরুগম্ব। অতোপ্প-না নংগী গুরুগী কত্তবা ঙাংবা অহু তারুগম্ব। তাবগ্না হন্দোকৃউ।

... .

ইচম্‌-চম্বা মীনা ধর্ম্মগী রারি পংশা শাই, তৌই-

অমসুং ধর্ম মচেৎ অমত্তা তৌবদি লৈতে। অশিংবা মীনা শাংথোক্কে, মপুন্সি অমুম্মা ধর্ম তৌদ্রুনা লৈ।

... ...

গুরুনা গুমদবা লৈতে হাইনা কমা থাজবদগী গুরুগী নাম্ শোন্দুনা শিন্দুনা তুরেল্ ঈমাইদা থোংনা চৎলি। মাসি উরগা গুরু অহুনা খন্নকই "ঐগী ইথিংদা অমুক্ অকন্নবা শক্তি অমা লৈরবরা ? লৈরব-দি, ঐ অসি য়াম্না মতিক্ মঙাল্ লেবা অমা ওইবা তারে।" মতুংগী মুমিৎ অহুদা গুরু অহুনা "ঐ", "ঐ" হাইনা শোন্দুনা ঈশিং মথক্তা চৎকে তৌরকপ-দা ঈশিংদা লুপ্তুনা শিখ্রে। থাজবনা অঙকপা থোক্-হল্লি, চাওথোক্পা নত্রগা "ঐ মঙাইরে" হাইবা অসিনা মীগী মথন্নাই মাংহল্লি।

... ...

গুরু চামা চামা লৈ, তৌইগুম্বসুং অকবা চেলাদি লাংই।

... ...

মী-গুরুনা নাকোংদা অশেংবা মন্ত্র কাম্শিন্বি, দাই-গুরুনা জীবদা থন্নাই হাপ্লি।

"হাপ্পনি নাকোংদা মন্ত্র তাইবং গুরুনা,
থম্মুংদা চংহল্লি মাহু অয়োধী-চিংবনা।"

... ...

গুরুগী থবক্তি য়াম্না লুই। ঈশ্বর থেংনরবা অমসুং জীবশিংবু তাক্পি-তিক্পিরু হাইনা থারক্রবা নারদ,

গুরু অমসুং শঙ্করাচার্য্যগুম্বশী বাদি অতোপ্পনি। মীগোন্দা অচুম্বা ভক্তিননবদি ঈশ্বরগী কৃপা আয়েশ অমা য়াওবনা মীনা ওম্‌দে। অদু নত্তানদি মী অমবু মী অমনা ভক্তিবা হাইবসি নোক্লিংবা য়াম্নি। অরুবা তৌবয়া হাইববু হেন্না কত্তবা ঙাগনি।

••• •••

গুরু হাইবসি মওং লৈবী গঙ্গাগুম্বনি। মীনা গঙ্গাগী গর্ভদা কত্ত-হোদি থাদোক্‌ই, তৌইগুমসুং মাহু তৌই হাইদুনা গঙ্গাগী মওং হন্‌বা লৈতে। মীনা ইকাইবা পিরে, নিন্দা তৌরে হাইদুনা গুরুবু চিংথক্কু লৈতে।

••• ••• •

কনাগুম্বনা নংগী গুরুবু নিন্দা তৌবদা তারুগনু। ইমা-ইপাদগী হেন্না গুরুবু লুনা তৌফম্ থোক্‌ই। নমাংদা নমা-নপাবু মীনা ইকাইবা পিরগা নং তুমিন্না লৈগদ্রা? মতা য়েংদুনা খন্‌নৌ, অমসুং গুরুগী সন্মান মাংহন্‌গনু।

••• •••

কনানা কনাগী গুরুনো? ঈশ্বরতনা জগৎকী লম্‌জিংবা গুরুনি। মাগী গুরুবু মীচম্নি হায়না লৌরিবা মী অদুনা ভজন, সাধন তৌরগা করি কায়বা ফংগদগে? গুরুবু ঐখোইনা মীচম্নি হায়না লৌরোইদৌবনি।

মুম পাম্লিবা মী

থবক্ পুম্নমক তৌ, পুক্লিংদা লাইবু কাওগনু। মুমগী লাই-গুরু, মুপি, অঙাং লৈসন্নু, থানবা য়াত্র-বনি থন্দুনা মখোইগী ফনবা তৌ। তৌইগুম্মুং থমোইদদি থমুউ মখোই অসি লেংদানা লৈগদবা নত্তে। মুংঙাইবা ইমুং অমদা মীনাই মুপি ওইবগুম্ সংসারদা নংমু লৈমু।

মাসিদা হাইরিবা মঙা অসিদগী চোক্শিন্‌গদবনি:— (১) ঈশিংদোনা মা ওয়ো ওয়ো ঙাংবা, (২) মাগী থমোই অহু কন্থ্রবা, (৩) নাদা তুলসী থেৎলহুনা ভকুনি হাইহুনা মপান্দা উৎপা, (৪) মাইথুম্ চোম্হনা থুন্রিবা মুপি, অমমুং (৫) কংনা থানা কুপ্পবা মাগী অহংবা ঈশিং অহুনা হক্চাং শোক্লবা অহুগুম্বা পুথ্রি।

....

নংনা থাজরিবা অহু কম্না অমমুং চেৎনা পাইহুনা লৈমু, নংগী অহুতনা চুম্ই অমমুং অতৈগীদি য়ানিংদে হাইবা তৌগনু।

... ...

ফনা য়াবা, অকিবা কংলবমু সংসারগী য়াথলদা লুমবা মীশিং অহুনা তৌরিবা অহু লাম্লে হাইবা থম্লে। উটুনা তিংথংপানবা উনাশিংনা চান্না পাম্লই। ময়াদা ঈ থোক্পা মথৈ চামবমু চাবদা হনথা লৈতে।

....

ধর্ম্মগী থবক খুদিংদা কনাগুম্বনা পাম্লবা উংলি অদুনা তাকপবু মাদি সংসারদা লুপ্লবা মীনি হাইবনি। স্তুতি-বন্দনা, কীর্ত্তন অমসুং চুম্না নাম শোনবগুদা মশাগী তানিংলবা নত্তে, মীবুসু তৌরুগম্ভু হাইনা থাম্ই। ঈশ্বরদা ভক্তি কৎপা তারগা চৈ, অমসুং ধর্ম্মসভা অমসুং সাধুশিংবু করেম্নে।

... ...

তম্ফাখুদোপ য়াইওইবনা অমুক্তং শোক্লবদি নং অসি সনা ওনগনি। অদুদগী নংবু চহি লিশিং ঙমা লৈমুংদা ফুম্লবদি সনা অদুম্ ওইখ্রগনি, ফুক্লকপা মতমদা সনাগী ফিবমদা অদুম্ তৌরগদবনি।

....

সংসারগী মায়া মনুংদা লৈরগা নিপা অদুনা ভক্তি সাধন তৌজদুনা পুক্লিং ফাবা ঙম্লবদি মাবু থাঙ্গেশেংনা থোনাফবা কৌরে। অশেংবা অথৌবা অদুদি মকোক্তা অরুপ্পা থোংনা থোংনা লৈনিংবা মাইকৈদা মমাই ওনবা ঙম্ই।

... ...

কেকু-লোংপী শাম্লবদা শোক্লসি হাইরিবা পোৎ অদু নংনা অমুক্তং পাইরবদি কনানসু নংবু হুরান্থনি হাইদ্রে। সংসারদা লৈরকসু ঈশ্বরবু থেংনপ্রবা মী অদুবুদি সংসারনা কাক্তিনবা ঙম্দে। খুত্তা অমা

থৈরগী থৈবোং খোকপদা থৈবোং-মনপ্ থৈগনি ৱাইনা কিক্কম্ খোক্কে।

... ...

সংসার ৱাহৈবসি ঈশিংগুম্বনি অমসুং মীওইবগী পুক্নিংনা শঙোম্গী পান্দম্নি। ঈশিংদা শঙোম্ হেনজিল্লবদি অনি অদু অমত্তা ওই। তৌইগুম্বসুং শঙোম অদু পাত্র অমদা লেংদানা থম্লবদি অফবা ওই। মাথা চিংদুনা ওৎখায়্রবদি মাখন ফংগনি। হৌজিক্, মাখন অদু ঈশিংদা থম্লবদি তাওথৎলি, ঈশিং অদুগা শম্নদে।

•

অকবা গুহা অমগী মপান্দা লেপ্লা মীনা তাখিদনা ৱাইদুনা কিনা কুপ্না শেম্নদুনা লৈবগুম্, সংসারদা লৈবা মী অদুসু ফত্তবদা য়াওদনবা মতম পুম্নমক্তা চেক্শিনগদবনি। কোম্ অদুদা তারুরবা মীনা লূনা অমসুং জগেংনা ৱাইগৎপা ওম্দে।

... ...

লীচৎ-চুম্দবী মুপিনা ইমুংগী থবক্তি ফর ফন্ নোম্বা, অমসুং অরোগবা চান্নবা অদুগী য়াথল্দি থক্ খাদবা, অদুম্না নংগী সংসারগী নথো অদু পাংথোক্উ তৌইগুম্বনুং নপুক্ অদুনা ঈশ্বরবু কাওগনু।

... ...

সংসারদা লৈয়, অদুগা সংসারীদি ওইগনু; কবিনা হাওরি :— "জিলগা লৈমিন্নহন্নগা হক্তোই

অহু অগোই শাহল্লু, চাদি চাহন্‌গনু। ওাদি ফাও, অহুগা ঈশিংদি শন্নগনু।"

... ...

ঈশিংদা তাবা উচেক্না মশা ক্রং কন্‌বদা ঈশিং মবিক অমত্তা পক্তবগুম্‌ অমসুং লৈখোম্‌দা লৈবা ওংনা লৈখোম্‌ তৈদবগুম্‌ মীশু সংসার শন্নদানা সংসারদা লৈগদবনি।

•

সংসারী য়ুম্‌পানবা ওইজসল্লু, পুক্নিংদা ঈশ্বরবুত্ত কাওগনু। নখুৎ নামনা নখৌ তৌ, অমসুং অতোপ্পা নখুৎনা ভগবানগী চরণ শোকুউ। সংসার অসিদা নংনা তৌগদবা থবক লৈত্রবা কালদা নখুৎ অনিমা ভগবানগী চরণ অহু থমোইদা কোন্‌শিল্লু।

...

পুম্নমক থাদোক্লো। চাবা লোইরগা চানবা হাপ্পস্বা লা অহু হঙ্গেকৃই, লা অহুগী মতৌদা সংসারদা হিংউ। লা অহু করিম্নু কাম্নদে। কনানা মাহু খুংগৎনিংগনি? কনানবু শোক্লিংগনি? লুংশিংকী মমাংথানা কোইনা পাইরি। কিবম্‌ অসিদা নংবুসু ওইহল্লি। করে, অহুম মরেম্নু। তৌইঙ্গম্বসুং ঈশ্বরনা নংবু হেন্না ফবা মফম অমদা থম্বিবা মতমদা জগৎকী অমসুং নংগী ইমুং মচুংগী কন্নিহ মাংবা ওইরোই।

.. ..

সংসারবু থাবা থাদবা হাইবসি ঈশ্বরগী ইচ্ছানি।

মরম অশিনা ইথুংঙৌ মাঙোঙ্গা শিরৌ, নোঙদি ওৎকস্নু। অদু নত্তানা নংনা করি তৌবা ওঙগে ?

••• ••• •••

মখুম্ থাদোক্তবা মীস্নু ঈশ্বরবু থেংনবা য়াই। অচৌবা ঋষি জনকনা তৌখিবা অদু মভাই। মী অমনা জনকতৌনা ভাপ্ হেক্ য়োবদি ওম্নদে। সংসারগী চরাংনবা থাদোক্তুনা জনকনা অচিকৃপদা চহি কুইনা ভক্তি—সাধন তৌরমই। মতৌ অস্নুন্না মী ওইবনা মরক মরক্তা হুমিৎ হুম্নিদং ওইরবস্নু অচিকৃপদা লৈগদবনি। অস্নুম্ তৌরবদি মমৈদা ঈশ্বরবু থেংনবা য়াই।

•••

সমাজদা লৈবা মী— থোইদোকপদি য়ুম্পানবা অমনা মশা ওাক্লবা লিংজেল্ উৎকদবনি। তৌইগুম্বস্নুং কত্তবা তৌরকপা অদুগী কত্তবনা লমল্ খুম্দনবা হোৎনগনি।

•• •••

করি অমত্তা পুদানা ঈশ্বরগী মূর্তি অমস্নুং সাধুবু দর্শন তৌবা হোনদে, করিস্নু লৈত্রবা উটৈহ মচা অমত্তস্নু পুগদবনি। অচৌবগী মাইথোং ওইনবা করিগুম্বা থরদংদি য়াও।

••• •••• ••••

সংসার অসি নংগী নত্তে, ভগবাননগীনি হাইবা

অমেগ্না ওইনা খংউ। নং অসি মাগী মনাইনি, ইবুংঙো মানা নিংবা অদুক ওইরম্মু।

•• •••

মরল্, পাঙ্গল্, মীংচৎ অমস্তুং সমাজনা ইকাই-খুম্নবা য়েংলগা চাওখোক্পা মী খরা লৈরি। পুম্নমক অসি সুমিৎ খরদগীনি। শিরগা করিস্তু লোইনরোই।

• ••• •

শেল্না তল্ অমস্তুং মাখন লৈবা কংই। মাহুবু নংনা তোং অমস্তুং ঈ, নক্রগা পুক্নিগী অয়োইবী অমস্তুং অয়োবীনি হাইনা লৌগনু।

••• •••

গঙ্গাজলবু অচম্বা ঈশিংনি খনুগনু। ব্রজগী রজবু চুম্নগী উৎফুলনি নিংগনু। পুরীগী শ্রীজগন্নাথগী মহাপ্রসাদবু অচম্বা চাক্নি হাইনা লৌগনু। হাইব্রিবশিং অসি পরমাত্মানা উবা-য়াবা পোৎ ওইনা চোংথোক্পনি।

••• •• •••

ইমাগী মফমদা অয়োবী ভক্তি কৎকদবনি; মরমদি আনন্দময়ী জগজ্জননী অদুনা ইমাগী মূর্তি ওইনা লৈরিবনি।

••• •••

জীবদা খোজাল্-উৎপা, সাধুশিংবু সেবা তৌবা অমস্তুং হরিগী নামবু তত্তানা শোন্বা অসিনা খুম-পানবা মীগী মথৌনি।

•••

মখিবত্তা অঙাং অমা অনি উরবদি নিপা অমসুং মুশি হাইবসি মবুংগা মচল্‌পা লৈমিন্নবগুম লোইনগনি, অমসুং ঈশ্বরগী আলাপ তৌনুনা লেন্‌গদবনি। মখিভাগী পুক্লিং অদু ঈশ্বরয়োমদা লৈশিন্নকনি ; মতম অদুদা মপুরোইবগী ধর্ম ভানবশ্ব লশ্বিদা হুপিনা পাম্বে ওইরে।

লম্বোইবা (সন্ন্যাসী)

পুক্লিং, হকচাং অমসুং থরাই ঈশ্বরদা কৎলবা অদুবু সাধু (লম্বোইবা) কৌই। লল্‌ অমসুং অপাম্বমুংশি থাবা অদু সাধুনি। মহাক্না হুপি হাইবা জাৎ অসিবু মমাদোনা উই অমসুং মখোইগী সেবা তৌই। সাধুনা অতৎপা লৈতানা ঈশ্বরগী মরম্‌দা থস্নি অমসুং হারো শাই। পুন্নমক্তা লাই লৈ থন্দুনা থরাইগী সেবা তৌই।

* * * * * *

হংবা :— করম্বা মীতানা সন্ন্যাসী ওইবা য়াবগে ?

খুম্বা :— তুংদা কন্নি চাগনি, কন্নি শেংকনি থন্দানা সংসারবু অমুক্তা ওইনা থাদবা অদু অশেংবা সন্ন্যাসীনি। মহাক অসিদি উ য়াংনা কারগা মথন্নাই মাংবা অমসুং মশা তেকনি থন্দানা মথাদা চোংথরকপা মী অদুগুম্বনি।

... ...

মপা-মমা নত্রপা মতু মচাগা য়ানদহুনা কুংত্তাইজব-দগী সংসার থাদোকপা মী লৈ। মহাক্কী ত্যাগ অমসুং মতম কুইবা য়াদে। অচোবা থবক হেক ফংবগা মাহু থাদোকই।

... ...

ফিঙোদা দাগ মচেৎ অমা লৈবদা চুরিবা অমসুং য়েংবদা য়ায়া ফজদে। সাধুগী দোষ থজিক্কুং অহুনা মগুণ অতৈ মাংহল্লি।

. ...

হিদাক-য়েল্লিবা অমসুং ময়াই-কাবা চিঙ্গাক চারিবা সাধু অমসুং অশেংবা সাধু নত্তে। মাগী মনাক নকউগনু।

.. ...

মুনিত্তনা মুনিগী মগুণ খংই। করম্বা নম্বর অমসুং করম্বা মথলগী লংনা ফাইথিবা হাইবসু লং-অশুংবা অয়োনবা মীতনা হাইবা ভমই।

. ...

মী উদবা অমসুং য়েংখিনবা-লৈতবা মতমদা অয়ানবা শেংবা তৌত্রবা মী অমসুং থাজশেংবা ধর্ম্ম তানবা মীনি।

....

পুন্নমক অসি ঈশ্বরনা তৌরিবনি হাইনা সাধুশিংনা

খল্লি। মখোইদি করিগুম্বা পোৎ থাজুনা থম্বা লৈতে। মরম অসিদা সাধুশা উচেক্কা অম্মানি।

... .

ঈশ্বরগী মরমদা ঙাওরবা মী অদুদি মপা-মমা অমম্তুং মচু-মচানী থম্মুবা লৈতে। অতোপ্পবু য়েংউদে অমম্তুং কনাগী লমলম্থ তোন্দে। ফিবম অসি য়োরবা মহাক অদুদি সংসারবু নিংসিংদে অমম্তুং নুংসিরবা মশাবু কাওরে।

. . ...

অতোপ্পদা নিরগা মীগী হম্বা ওই। বলিগী মফম্দা ভিক্ষা তৌবা চৎপদা ভগবানমক্কা ঠিকনেম্বা থামনগী ফিবম্ লৌরমই। মাসিনা তাক্পবু— কনা-গুম্বদগী করিগুম্বা থরদং হেক্ নিবদা ঐখোইগী ইশা অসিবু হম্বহল্লে।

... ..

লখোইরবদি শেল্ অমম্তুং নুপিগা সম্বন্ধ থম্বা হোনদে। সন্ন্যাসীদি নুপিগী ফোটো কাওবা য়েংবা চুম্দে।

... .

নুপি অমম্তুং শেল্ হাইবসি যোগগী লম্বেলদা অপনবা ওইহল্লি। উরিবা অদু তত্তানা বিচার তৌগদবনি। নুপিগী মশাদা করি লৈ? খোইরি-নাওরী-ঈ, তোং অসিনচিংবতনি। মাসিদা পুক্নিং ওন্শিন্দুনা করি কাগে?

লখোইবা খুদিংনা অমস্তং তক্ত পুম্নমক্না চুপি হাইবা জাৎ অসি অথবা ওইরবস্থ কন্নথা ওইরবস্থ ফগৎমাত্তাগী মওংদা পুগদবনি।

ফংগদি থংজমকপা

(Message of Hope)

অরেপ্পা ওইনা ঐনা নখোইদা হাইরিবা অসিনি ইবুংঙো মাবু ফংজগে হাইনা খোরাংনা লৈরিবা অদুনা ইবুংঙো মাবু ফংই। হোৎনৌ, নপুক্নিমক্তদা থেংনগনি। চুমিৎ চুম্নিদং তত্তানা রায়া থরাই য়াওনা হোৎনৌ, শোইদানা মহে য়ানগনি। খোরাংলবা অমস্তং পুক্নিং য়োরবদি মাবু থুনা ফংই।

••

থানা অত্তাং খুদিংগী মপা-মতোন্ ওইবগুম ঈশ্বরস্থ পুম্নমক্কী চংজফম্নি। ইবুংঙো মাঙোন্দা চংজবদা কনাবুস্থ থিংদে। ফংনবা তানবদা কুপা ফংবনি। মনাক্তা চংলগা থংবা ওম্গনি।

•• ••• •••

মতম কুইনা মন্নবা কা অদু মৈথেৎ অমস্তং খংপদা মিকুপ্তা ওান্নি। মতৌ অস্থম্না জন্ম জন্মদা শাহুনা লৈরক্লবা পাপশিং অদু ভগবানগী খোজাল্ দ্নিক অমস্তং ফংবদা মাংথি।

—— —— ——

ভক্তি তম্নি শিংলা চুংশিংবুগা ঈশ্বরগী কৃপা অহু অহিং-মুংখিল্ নংগী নকোঙ্ডা থেংনরি। সমুদ্র-গুবা পুন্সি অসিদা থুনা চাওখৎকে হাইরবদি পুন্সিগী াহ অহু থুনা হোল্লো।

•• •• ••

খুবাক খুঙ্গনা হরিগী চুংশিবা নামবু অয়ুক অমন্থং চমিদাংৱাইদা শোল্লু; নংগী পাপ অমম্থং অরাবা পুম্নমক কোর্কনি। উখাদা লেপ্পুনা খুবাক থুরবদি উ অহুদা তোংলম্বা উচেক্ শঙ্গু অহু পাইখিগনি। অহুমক তৌরিবনি, হরিগী নামবু খুবাক খুঙ্গনা শোল্লবদি হকচাংগী উদা তোংলম্বা ফত্তবা রাথল্মী উচেক্শিং অহু পাইখিগনি।

•••

অঙাংনা নৈনোম্ নৈনাং তৈহনা শাবা হাইবসি মনাংনি। তোইঙক্সুং মমা-মপানা মাহু তৈহল্লে। মওং অহুম্না লেংই-পাল্লিবা জগৎ অসিদা উল্লিবা সুক্কংনবগী মরম্না নৈহুনা মী হাইবসি পাপ লংশিল্লি; মাহুদগী মানা নাম্মোরবা ভগবাননা উপায় শেম্মিরি।

— — —

তু উরকপদা চুমিং থোরক্লোরে তাবুপঙম্ মপাগী ওইজবা থাজোকপা, অঙাংবা অমম্থং অচুম্বা চৎপদা ঈশ্বর ফংগদোরে উৎনি।

•••• — •••

মৈবাক্তা মচুৎ্না অথাপ্পা প্রবেশ অমদা [illegible] নিংথৌনা মচুৎশিনবা স্বাজকর্মচারী থাবগুম্ [illegible] করিগুম্বা মকমদা ধর্ম মরেং তারবদি ঈশ্বরনা মচুৎ-শিন্‌বা শায়োন্ য়োংল্লক্‌ই।

•••   •••   •••

অসুম্না হাইনৈ — কলিযুগ অসিদা ঈশ্বর-উনিংবা কনাগুম্বা অমনা অহিং অমা হুথিদ্ অমত্তং কপবদি ঈশ্বরবু উবা ফংই।

•••   •••

ঈশ্বরবু থাজবা মী অচুম্বাদি পুম্নমক্ য়াত্তানা লৈ। থাজদবা মী অচুম্বাদি করিস্ত্ত লৈতে। ঈশ্বরগী নামদা বিশ্বাস তৌরগা অঙকপা য়াম্না থোকই। মরমদি বিশ্বাসনা হিংনবা থবাইনি, চিংনবনা অশিবনি।

•••   •••   •••

জমিদার হাইবসি ইনাক্ য়াম্না থুনি, তৌইগুবসুং লাইবা প্রজা অমনা পুজরকপা ইচম্-চম্বা থুদোন্-পোৎ অচু হরাওনা লৌই। ঈশ্বর হাইবনিসু মতিক্-মঙাল য়াম্না চাওরবসু মপুকপেবিগী থীনা য়াম্না চম্বা কংলবা অচু হরাওনা অমসুং মুংশিবিনা লৌবি।

—   •   —

ঈশ্বর প্রেমদগী [illegible]—থোংবা হাইবা হিত্তোক্‌লা তারবসু পাপ চংয়ে। য়ামগী থম্বুনা জগতনা কৈকরী য়া তাথিদে। কৃষ্ণবু দর্শন তৌনিংবদগী গোপীশিংনা

মপুরোইবনা ৱাহৈবা ইল্লমদে। ঈশ্বরবু থুংশিনবগী প্রহ্লাদনা মপানা ৱাহৈবদা য়াখিদে।

... ..

খরাইনা থুরুপ্পা মকখদা নংগী নকোক্ পোল্লু। ভক্তি ভোবনা কায়দবা লৈতে। মফম অতুদা থমোই কয়া কয়ানা লৈশি লৈথোনজরকপদা থোজাল্-হৈবা ভগবানবা চোংথোকয়ক্কনি। মরমদি পুম্নমক্পু ভাক্ পিহৈবদি ইবুংঙো মানি।

...

ভগবানদি নিজবা-পিনবিবা উপালগী মশক্তি। নিজরিবা মথৈ ইবুংঙো মানা পিনবি।

... ...

ঈশ্বরদা থাজৌ অমত্তং মাগী কৃপানি থল্লু। অদুম্ ভোরবদি নংনা শিন্‌গদবা থবক থোইদোক্পা লৈতে। কালীমাতানা নহাকী দমক পুম্নমক শিল্লগনি।

... ...

করিগী থগৎলি? ঈশ্বরবু চেৎনা কোল্লু। সংস্কার অমি ভিংখংগী বন ওইরবস্রু করি তোরদগে? থোংউপ্ তোংলগা ভিংখং মথক্তা চৎলু। নংনা কিগদবা কনাবুনো?

নংনা খন্‌বা ভজদবা হয়েংগী থবক অহু ভগবান-মক্তা খল্‌বিরমগনি?

... ...

....

ঈশ্বর হাইবসি ঐখোইমকীনি। মংনা পাম্বা অহু কংনবা ইবুংঙো মাঙোন্দা ভক্তবা য়াই।

. ...

মীনা পাপ তৌবা শোইদবা তারবনি, ঈশ্বরনা মাগী লামবা উপায় থম্বিবা অমুক হেন্না শোইত্রবনি।

... ...

ভগবানদি শক্তি পুম্নমক্কা তিন্‌বনি। মহাক্কা চান্‌বিরবদি ভক্তদা ব্রহ্মজ্ঞান পিবি।

... ...

ভগবানদা অহুকী মতিক্ নকৃশিল্লকৃইবা মথৈ অহুকী মতিক্ শান্তি, শান্তি, শান্তি— অয়োৌবী শান্তি কংই।

... ...

ঐগী বা অসি থাজো— থরাইমক্ য়াওনা লিরবদি জগজ্জননীনা কৃপা তৌবিরকনি, তাইবদি তাই। মরম্দি মাগী মচাশিংদা মাসিমক উৎপি।

... .

শোইদবনি, ঐনা নখোইদা হাইগ্রিবা অসিগী শরুক ১৬ কী মনুষ্যা শরুক অমত্তং তৌবদা অয়াপবা থুবম কংগনি।

নিজবা

ভগবানদা কপ্পুনা নিজৌ "হে ভগবান, ননাই ঐ-ত্তোন্দা উৎপিরো। লল্ অমসুং অপাম্-চুংশিনা ননাইগী পুক্নিং শোক্হন্‌বিগনু।" লূনা লূপ্‌খৌ। ঈশিং ইমাইদা তাওরগা নত্রগা ইরোইরগা কনানা মুক্তা কংবগে?

•••

ঈশ্বরদা হাইজৌ: "পিনবিয়ু প্রভো, নংগী চরণার-বিন্দবু কংনবা শুদ্ধ-প্রেম, অমসুং জগৎপু শুক্নৎপা নংগী মায়ানা ননাইবু কুপ্পুনা থমদবা।"

•••

ভগবানদা প্রার্থনা তৌ : "কনবিয়ু ননাইবু নংগী জগৎপু শুক্নৎপা মুংশিবা মাইথোং উৎপিদুনা। পুবিয়ু ননাইবু অরাণবদগী অচুম্বদা, অমম্বদগী অঙান্-বদা অমসুং অশিবদগী অমাংবা-লৈতবা লমদা।"

•••

"ইমা! ননাইগী অসুপা রাখল লৈহন্‌বিগনু—ঐদি অচৌবনি, ঐদি ব্রাহ্মণনি, মথোইদি অতোন্‌বা মায়বা রাজবনি হাইবা। মথোই অসি কনানো—ইমানা মওং তোঙাল্ তোঙাল্‌না লৈক্রবা নত্রা?"

•• •••

"হে জগজ্জননী! মীনা ঐবু ইকাইখুম্‌বা পাম্-

জদে, হক্‌চাংগী মুংজইবা থিজদে, গঙ্গা-যমুনা তিমবগুম ননাইন্দি থরাই অসি ইমাদা হাপ্‌হন্‌বিয়ু। মা! ননাই ঐদি তোল্লবা, উপায় লৈত্রবনি। ভক্তি য়াওদে, অমসুং যোগ থংজদে। কনানসু থাগৎপা পাম্‌জদে। ননাইগী পুক্কিং অসিতনা ইমাগী চরণারবিন্দবু কাওজদবা পিনবিয়ু।"

• •••

"হে রাম! হে রাম! ননাইগী ভক্তি য়াৎলি, অমসুং অকন্‌বা নিয়ম ওম্‌জদে, জ্ঞান অমসুং প্রেম থংজদে। ধর্ম্ম-কর্ম্ম তৌরুবা লৈত্রি। হে রাম! ননাই ঐ ইবুংঙোগী চরণদা চংজরি। শাগী মুংঙাকবা পাম্‌জদে, ননাইনা মিংচৎ তানবা তৌজদে, হে রাম! সিদ্ধি নিপান অদু ঐ নিজদে, অথুপ্পা শক্তি চামা চামা লৈবা অদু হয়া য়েংজদে। ইবুংঙোগী ননাইনি। পিনবিয়ু, হে রাম, নংগী চরণারবিন্দবু কাওদবা অশেংবা প্রেম, নংগী জগৎ শুম্মাৎপা মায়ানা ননাইবু কুপ্ত্‌না থম্বিগনু। হে রাম! ননাই ঐ চরণদা চংজরি।"

••• •••

"ইমা! ঐ অসে ইমাগী থুংলাইনি, ইমানা থুংলাই অদু শিজিন্নবা ওইবিরি, ঐদি লৈনবা কানি, ইমানা লৈবিরিবনি, ননাইনা থাংখুম্বি, ইমানা থাংশাংনি; ঐনা রথনি, ইমানা সারথিনি; ইমানা তৌ হাইবদুত্তা ননাইনা তৌজরি; ইমানা ঐহোন্দা

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible];
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible], ঐ [illegible], ঐ [illegible]।"

— ওঁ শান্তি —

[illegible] [illegible] :—

[illegible] পুস্তকালয়,

[illegible] [illegible], [illegible]।

[illegible]